

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, JUNE 03, 2018 **PAGE 7**


*হান্নগী ইন্দিয়াগী ক্রিকেট্টর মদন লালবু ভোট মশীং ৫১৭ দা মায়থিবা পীরল্লগা দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ত ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা জর্নেলিষ্ট রাজট শর্ম্মা*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগা মতম শাংনা সাইন তৌনখ্রবা মমাঙগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগ সিজনদা গোল্ডন বুট এৱার্দ ফংখ্রবা ইজিপ্তগী ষ্টার প্লেয়র মোহমদ সালাহ*

# *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

## *ব্রাজিলনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ক্রোএসিয়াসু দেনমার্ক থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে*



*মেক্সিকোগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ব্রাজিলগী নেমারনা টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*



*পেনাল্টি সুটআওটতা পায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মোস্কো, জুলাই ০২ঃ*

ব্রাজিলনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। ক্রোএসিয়ানা দেনমার্কপু পেনাল্টি সুটআওটতা ৩–২ দা থোইদুনা মখোয়সু টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ব্রাজিল অমসুং মেক্সিকোনা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়বা মান্নদুনা এটেক কয়া তৌনরকখ্রবসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ গী মতম অদুদা ব্রাজিল অমসুং মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

নীংশিংবা য়াবদি ব্রাজিল টিম গ্রুপ 'ই' দা মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ অনী মায় পাকপা অমসুং মেটচ অমনা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংলগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা মেক্সিকোগী টিম গ্রুপ 'এফ' তা মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ অনী মায় পাক্লগা মেটচ অমনা মায়থিরগা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্খদুনা লাকখি। শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা ব্রাজিলগী মরুওইবা শান্নরোই নেমারনা ৱীলিয়াননা খায়রকপা পাস অমদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেক্সিকোবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোখ্খরবা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ব্রাজিলগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক চখ্খরকখি। অদুবু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিং অদুনা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোল অদু থিংদুনা লৈখি।

মেক্সিকোনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই রোবার্টো ফর্মিনোনা নেমারগী পাস অমদগী পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেক্সিকোবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী শোখ্খরবা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ব্রাজিলনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা দেনমার্কপু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্রোএসিয়াগী টিম গ্রুপ 'দি' দা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ক্রোএসিয়াগী ঙরাং লম্বা ওইখিবা দেনমার্ককী টিম গ্রুপ 'সি' দা মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাক্লবা মতুং মেটচ অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

ক্রোএসিয়া অমসুং দেনমার্কনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা অকনবা এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা মিনট লাম্হোক্ত্রিঙৈদা দেনমার্ককী শান্নরোইশিংনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মাথিয়াস জোর্গেনসেননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ক্রোএসিয়াবু ঙন্না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোখ্খরবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা মারিও মান্দজুকিকনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা মায়োক্নবা টিমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ অদু লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাং মান্নদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক মখা চখ্খনরকখি।

বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নরকখিবা মরম্না অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্মদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা নাকল অনীগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনরকখ্রবসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবদা ক্রোএসিয়া অমসুং দেনমার্ককী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা চন্নখিবা পাঞ্জল অমমম অদুদগী হেনবা ঙমখিদবদগী এক্সত্রা টাইমদা মায় পাকপা টিম খনবগী মথৌ তাখি।

এক্সত্রা টাইমগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৫ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা গোল এরিয়াশিং অদু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইমগী অহানবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

এক্সত্রা টাইমগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ১১৬ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী এটেক অমদা দেনমার্ককী শান্নরোই মাথিয়াস জোর্গেনসেননা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা ক্রোএসিয়াদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈরবা পেনাল্টি কিক অদু ক্রোএসিয়াগী কেপ্টেন লুকা মোদ্রিকনা কাউশিনবদা দেনমার্ককী গোলকিপরনা ঙাকথোকখিবদগী মেটচ অদু মায় পাক্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ক্রোএসিয়ানা মাঙজখি।

এক্সত্রা টাইমগী অহাপ্পা মতম অদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্মখিদবদগী পেনাল্টি সুটআওটতা চাং য়েংনবা তাখি।

পেনাল্টি সুটআওট অদুদা শান্নরোই ৫। ৫ না কাওনবদা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৩ না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা দেনমার্ককী মায়কৈদগী শুপ্নগী পাঞ্জল অনীখক ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ক্রোএসিয়ানা দেনমার্কপু পেনাল্টি সুটআওটতা পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

***MATCHES ON 03-07-2018***
Sweden vs Switzerland 07:30pm
Colombia vs England 11:30pm

## স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিক নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





*ৱিম্বলদনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা ফেদরর (ওই) অমদি ভেকিক*

*লন্দন, জুলাই ০২ঃ*

মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিক নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী দুসান লাজোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা থোইরম্বনি।

অহানবা সেট ফেদররনা লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদুসু স্বিটজরলেন্দগী ফেদররনা লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌদুনা ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী য়োসিহিটো নিসিওকাবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬–১, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী সাম ক্বেরিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোমসনবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬–২, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিকনা য়ুএস ওপনগী চেম্পিয়ন য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ভেকিক অমসুং ষ্টেফেন্সনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা সেট ভেকিকনা ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখ্খরবা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীরকখ্রবসু ক্রোএসিয়াগী ভেকিকনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী মেদিসন কিজনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অজলা টোমজানকোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীনা য়ুএসএগী ভারভারা লেপচেনকোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–০, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা বৃটেনগী হারিয়েট দার্টপু ৭–৬(৭–২), ২–৬, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৩শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না বৃটেনগী লিয়াম ব্রোদিবু ৭–৫, ৬–০, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী জোন ইসনরনা জর্মনিগী য়ানিক মাদেনবু ৬–২, ৭–৬(৭–৪), ৭–৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইটালিগী শান্নরোই থোমাস ফাবিয়ানোনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রিবু ২–৬, ৬–৩, ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসনা স্বিদেনগী জোহানা লারসনবু ৬–৭(৩–৭), ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## এআইএফএফনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্বু মশাগী শেল পুথোক্কুনা জার্কটা এসিয়ান গেমস অসিদা য়াওহনবা পাম্মী ঃ কুসল দাস



*এআইএফএফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাস*

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি অনীদা ওগষ্ট ১৮ দগী হৌগদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) না মশাগী শেল পুথোকচদুনা ইন্দিয়াগী টিম্বু গেমস অসিদা য়াওহনবা পাম্মী হায়না ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী রিগুলেসনগী মতুংইন্না লৈবাক অমগী টিম অমনা কন্টিনেন্টেল লেভেলদা অহানবা পোজিসনদগী ৮শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈরবদি গেমস অসিদা শরুক য়াবগী তাঞ্জা অমসু লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসি হৌজিক হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ৯৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অদুগা এসিয়া কন্টিনেন্টকী ওইনা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙন্নিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনদা চিঠি ইখ্রে, করিগুম্বা গেমস অসিদা শরুক য়াবদা চঙগদবা শেলনা মরম ওইরবদি এআইএফএফনা শান্নরোইশিংগী চৎথোক–চৎশিন অমদি লৈবগী অচঙবা শেল পুম্বা ফেদরেসন অসিনা পুথোকপগী অপাম্বা অদু জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল হাউস অসিদা অশোয়বা লাকপগা লোয়ননা তুংদা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংদা নিংহন্নবা লৈহনগনি হায়নসু কুসল দাসনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিম অসি কুমজা ২০১১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা এসিয়া কপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট কুসল দাসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা ওফিসিয়েল রিপ্রজেন্টেসন উৎপা পাল্লি। মসিগীদমক লৈঙাক অমসুং স্পোর্টস এঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদগী সপ্পোর্ট য়াম্না ফংলি হায়খি।

## ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট যোগেসনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে

*বর্লিন, জুলাই ০২ঃ*

জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা চখ্খরিবা পেরা এঠলেটিক্স গ্রান্দ প্রিগী নুপাগী এফ৩৬ দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট যোগেস কাথুনিয়ানা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা এফ৩৬ দিস্কস থ্রো ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট যোগেস কাথুনিয়ানা মিটর ৪৫.১৮ লংদুনা ইভেন্ট অদুগী মকোক ওইবগা লোয়ননা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী হান্না লৈরম্বা রেকোর্দ অদু চাইনাগী পেরা এঠলিট ক্বিক্বিং লিনা মমাঙ চহীদা মিটর ৪২.৯৬ তা থল্লম্বনি।

ইভেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসন অদুনা পোলেন্দগী এঠলিট পাৱেল পিওত্রোস্কিনা মিটর ৩৫.৬৩ দা ফংলগা লৌখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসন অদুসু অতোপ্পা পোলেন্দগী এঠলিট আলিয়াকসান্দর ভৌনা মিটর ১৯.২৪ দা ফংখি।

## ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা জপানগী মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি



*জার্কটা, জুলাই ০২ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ুএস দোলর ১,২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোইশিংগী মনুংদা ঐচ এস প্রনোইনা ৮শুবা সিদেদ ওইদুনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী লিন দানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথনা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই ৱাং ঝু ৱৈগা শান্নগনি। অদুগা সমির ভর্মনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী রাসমস গেমকেগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী শান্নরোই পি চোচুৱোংগা শান্নগনি। অদুগা সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই দিনার আয়ুষ্টিনগা লম্বা তৌনগনি।